# স্মার্ট সিটি ওইহনগদবা সহর ২৭কী মনুংদা নাগালেন্দ অমসুং সিক্কিম য়াওরি

*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২০ঃ*

স্মার্ট সিটি শেমগৎপগী মথংগী ফেজ ওইনা লৌখৎকদবা সহর ২৭কী মনুংদা নাগালেন্দ অমসুং সিক্কিম য়াওরি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লোক সভা মীখল থেংনখিবা মফম ভরানসিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা নৌনা স্মার্ট সিটি ওইহন্নবা লৌখৎলবা সহর ২৭কী মিং লাউথোকখ্রে।




ভাদোদারা, অগ্রা, নাগপুর, আজমির, অম্রিটসহর, গ্লোলিয়োর অমসুং থাঞ্জাবুরনচিংবা সহরশিং য়াওরি। হায়রিবা সহরশিং অদু স্মার্ট সিটি ওইহন্নবগীদমক লুপা ক্রোর ৬,৮৮৩ থাদরগনি হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা আরবান দিভিলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা অহুমশুবা রাউন্দ ওইনা স্মার্ট সিটি ওইহন্নবা সহর ৬০ খনগৎখ্রে। অদুগা অনীশুবা ফেজগী ওইনা ষ্টেট ২৭ খনগৎপদা য়ুনিয়ন টেরিটোরি কয়াসু য়াওরি।

মহারাষ্ট্রগী ওইনা সহর ৫ শেমগৎকদবশিং অদুগী মনুংদা য়াওরি হায়না আরবান দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর এম বেঙ্কয়া নাইদুনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। টমিলনাদু অমসুং করনাটাগী সহর ৪-৪ স্মার্ট সিটি ওইহনবগী মনুং চল্লি।

উত্তরপ্রদেশকী ওইনা সহর ৩ খনগৎপদা য়াওরি। অদুগা মৈদ্যপ্রদেশ, পঞ্জাব অমসুং রজস্থানগীনা সহর ২-২ খনগৎপা অদুদা য়াওরি।

আরবান দিভিলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না সহর কয়া স্মার্ট সিটি ওইনা শেমগৎনবা পায়খৎলিবা ফেজ অদুগী ওইনা লুপা লাক্ষ ক্রোর ১.৪৪ থাদনবা শেম শারে।

মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েল অমনা হায়, অহানবা ওইনা স্মার্ট সিটি ২০ শেমগৎনবা পায়খৎখিবা প্রোজেক্ট ৮২ পায়খৎপা হৌখ্রে। অনীশুবা ফেজগী ওইনা প্রোজেক্ট ১১৩গী মখাদা চপ চাবা থবক পায়খৎনবা হোৎনরি।

নাইদুনা মখা তানা হায়, মথং চহীদা স্মার্ট সিটিগী চপ চাবা মওং অমা উবা ফংলগনি। স্মার্ট সিটি কম্মিসনগী মখাদা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা লৈবাক অসিগী সহর ৫০০ শেমগৎনবা থবক পায়খৎলি।

চহী ৫গী মনুংদা হায়রিবা থৌশিলশিং অদু চপ চানা চৎনহন্নবা পান্দম থল্লি। অদুগা লেমহৌরিবা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং অদুনা পব্লিক, প্রাইভেট পাটনর্সিপকী মখাদা কোনশিন্নবা হোৎনরি।

সেন্টরনা পায়খৎপা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিং ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংনা চপ চানা চৎনহন্নবা থবক লৌখৎকদবনি। মিনিষ্ট্রিনা তোঙান-তোঙানবা এজেন্সি কয়াগা লোয়ননা থৌশিল অদু মায় পাক্নবা শেনফম কয়া থাদরি। ৱার্ল্ড বেঙ্কনা থৌশিল অদুগীদমক দোল্লর বিল্লিয়ন ১ থাদরক্লি। অদুগা ব্রিক্স লৈবাকশিংগী মনুং চনবা লৈবাকশিংদা শেল-থুমগী মতেং পীননবা থৌশিল কয়াসু পায়খৎলি।

ৱার্ল্ড বেঙ্ককী মখাদা যু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৫০০ সহরশিং শেমগৎনবগীদমক থৌশিল কয়া পায়খৎলি। লৈবাক অসিদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রকপদগী অহোংবা কয়া লাকহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা স্মার্ট সিটি শেমগৎনবা হোৎনরি।

স্মার্ট সিটি অমা ওইহন্নবগীদমক তঙাইফদবা মচাকশিং লৈহন্নবগীদমক শেন্থং পীবগী থবকসু চথরি। লৈবাক অসিগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট কয়া ফেজ নাইনা স্মার্ট সিটি ওইহন্নবা থবক পায়খৎখ্রে। অদুম ওইনমক সহর কয়াদি অদুগুম্বা খুদোংচাবা অদু ফংদনা লৈরি হায়রি।

# কোঙ্গোদা হিংশাগী থৌদোক থোকপদা মীওই ৫০ শীরে

*কিনশাসা, সেপ্টেম্বর ২০ঃ*

কোঙ্গোগী কোনুং কিনশাসাদা খোঙজং চংশিল্লকখিবা মীয়াম অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সকী মরক্তা খুৎ থোক্নবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫০ শীখ্রে হায়না লৈঙাক অদুগী ওপোজিসন কাংলুপনা ফোঙদোরক্লি।


কোঙ্গোদা চথরকখিবা হিংশাগী থৌদোক্তা ওইহনখিবা ফিভম

কোঙ্গো লৈঙাক্না ফোঙদোকখিবদা কিনশাসাদা চংশিল্লকপা খোঙজংদা ইরাং থোকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১৭ শীখি হায়রি। থৌদোক অদুদা শীখিবা মীগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি।

লৈবাক অদুগী ওপোজিসন কাংবুনা ফোঙদোরকখিবদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পা অমসুং খোঙজং লাকশিন্নবা হোৎনবদা মীওই ৫০ হেন্না শীখ্রে হায়রি। ঙসি দিমান্দ কয়া তৌদুনা মীয়াম্না খোঙজং চংশিনখি।

ঙসি মীয়ামগী খোঙচৎ অমা পাঙথোক্নবা লৌখিবা অয়াবা অদু ওথোরিটিনা ককথৎখি। ওইরক্লিবা ফিভম অদুদা খোঙজং চংশিনখিবা মীয়াম্না লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট জোসেফ কাবিলা ফম থাদোক্নবা দিমান্দ তৌখি। মহাক ইং ২০০১দগী দিমোক্রেটিক রিপাব্লিক ওফ কোঙ্গোদা লৈঙাক পায়দুনা লাকখিবনি।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা মহাক্কী লৈঙাক পায়ননবা থৌশিল পায়খৎলকদ্রা হায়বগী চিংনবা ফাওরি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা লৈবাক অদুগী কোনুংদা খোঙজং চংশিনবা অমসুং পুলিসকী মায়কৈদা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি।

ইং ২০১৫দগী হৌনা চংশিল্লকখিবা খোঙজং অদুদা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংখ্রে। ইন্টরিয়র মিনিষ্টর ইভারিষ্টে বোসাবনা ফোঙদোকখিবদা হিংশাগী থৌদোক অদু অতম্না চথহল্লকখিবনি। থৌদোক অদুদা পুলিস পার্সোনেল ৩সু লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা য়াওরি। লৈবাক অদুগী ওপোজিসন পার্টিনা লৈবাক শীন-থুংনা খোঙজং চংশিন্নবা লাউথোকখ্রে।

লৈবাক অদুদা লৈঙাক পায়রিবশিংগী মতম দিসেম্বর ২০দা লোইগদবনি। অদুম ওইনমক কাবিলানা কন্সটিট্যুসনগী ওইবা ৱাফমশিং অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি।

মে থাদা কন্সটিট্যুস্নেল কোর্ট অমনা কাবিলা মখা তানা ওফিস পায়গদবনি হায়না খঙহল্লকখি। ফ্রান্স য়েষ্টরদে ন্যুজনা পীরকখিবা রিপোর্টতা লমদম অদুদা থোক্লিবা থৌদোক অদু খুদোংথিনিংঙাই ওইবা অমসুং কা হেন্না খুদোংচাবা নংগদবা থৌদোক অমনি হায়রি।

# উরি টেরর এটেকতা ফ্রান্স, রসিয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২০ঃ*

উরি টেরর এটেকতা লান্মী ১৮ শীহনখিবা থৌদোক অদুবু মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। য়ুনাইদেট নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী পার্মেনেন্ট মেম্বর ৫না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেরোরিষ্টশিংনা থোকহনবনি হায়বগী মতাংদা পাকিস্তানদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী থৌশিল মতুং ইন্না পাকিস্তানবু টেরোরিজম শৌগৎপা লৈবাকনি হায়না শক খঙদুনা লৈবাক অদুবু তোঙান তাহনবা পান্নি। উরিদা চথরকখিবা এটেক অদু মালেমগী লৈবাক কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই বিকাস স্বারুপনা ফোঙদোরকখিবদা এটেক অদুগী মতাংদা লৈবাক কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। যু এন এস সিগী পার্মেনেন্ট মেম্বর ৫না পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি।

ৱারোল অদুগী মতুং ইন্না যু এস অমসুং যু কে ইন্দিয়াগী মায়কৈদা লেপ্লি। চাইনা অমসুং পাকিস্তান হৌজিক মরুপ ওইরি। অদুম ওইনমক উরি এটেককী মতাংদদি চাইনানা থম্মোয় শোকপা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

রসিয়ানা এটেক অদুগী মতাংদা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা লান্মীশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারি থাদা ইন্দিয়াগী পথানকোট এয়ারবেজদা টেরোরিষ্টশিংনা এটেক চথরকপা লৈখি। মদু ঙমখৈ লান্না চংশিল্লকপা টেরোরিষ্টশিংনা চথরকখিবা এটেকনি হায়রি।

# জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা ঙমখৈ লান্না চংশিন্নবা হোৎনরকখিবা টেরোরিষ্ট ১০ হাৎখ্রে, লান্মী অমা শোক্লে

*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২০ঃ*

জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী লাইন ওফ কন্ত্রোল লমদমদা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকখিবা থৌদোক অনী লান্মীনা অরেম্বা তাহনখ্রে। লান্মীনা জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী উরি সেক্টরগা নক্কনা লৈবা লাচিপুরা লমদমদা টেরোরিষ্ট কয়া হাৎখ্রে।



নাকল অনীগী মরক্তা খুৎথোক্নবনা মরম ওইরগা লান্মীগী মীওই অমা অশোক অপন নংখি। মমাঙদা পাকিস্তাননা খুদুম চনবা কাশ্মীরগী শরুক্তগী নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোকশিং থোকখি। মদুতা নত্তনা কাশ্মীরদা কেম্প তৌদুনা লৈবা লান্মীশিংদা এটেক চথদুনা মীওই ১৮ শীহনখিবা লৈখ্রে।

থোক্লিবা থৌদোক অদু সিজ ফায়র থুগাইদুনা চথরকপা থৌদোক অমনি। নোংমাইজিং নুমিৎতা জয়সে ই-মুহম্মদ টেরোরিষ্টশিংনা উরি সেক্টরদা লৈবা লান্মীগী কেম্পতা এটেক চথরক্তুনা সিক্যুরিটি পার্সোনেল ১৮ হাৎখ্রে। অদুগা লান্মী ২০ হেনবনা অশোক অপন নংহনখি হায়রি।

থৌদোক অদুদা লান্মীনা টেরোরিষ্ট ৪ হাৎখি। টেরোরিষ্টশিংনা চথরকপা এটেকশিংগী মনুংদা হন্দক্কী থৌদোক অসিনা লান্মী খ্বাইদগী হেন্না শীহনবা থৌদোক অমা ওইরি হায়রি।

থৌদোক অদু লাইন ওফ কন্ত্রোলদগী কিলোমিটর ৬ লোম চংশিল্লগা লৈবা ইন্দিয়াগী উরি সেক্টরদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানদা মরাল শীরি। নাকল অমরোমদা পাকিস্তাননা ইন্দিয়ানা শীরক্লিবা মরাল অদু য়াখিদবগা লোয়ননা চপ চাবা প্রমান পীরক্কদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা পাকিস্তাননা শৌগৎপা টেরোরিষ্টশিংনা য়েখায় থিনগাইবগী থৌদোক কয়া চথরক্লি। অদুম ওইনমক পাকিস্তাননদি অদুগুম্বা থৌদোকশিং অদুদা মখোয়গী খুৎ য়াওদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

কাশ্মীরগী উরি সেক্টরদা লৈবা লান্মীগী কেম্প অমদা টেরোরিষ্টশিংনা বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক চথকখিবদা লান্মী কয়া শীহনখি। থৌদোক অদুগী মতুংদা লান্মীনা মখা তানা থি-হুম্বগী থবক চথবদা টেরোরিষ্ট ১০ হাৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

ঙমখৈ ৱাংমা লান্না টেরোরিজমগী থৌশিল চথরকপশিং থেংননবা শেম শাদুনা লৈরি। ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু টেরোরিষ্ট শৌগৎপা লৈবাক অমনি হায়না লাউথোক্লবা যু এনগী মীফমদা পুখৎনবা থৌরাং তৌরি হায়রি। থোক্লিবা থৌদোকশিং অদু য়েংলগা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেরোরিষ্টশিংনা ইন্দিয়াদা য়েখায় থিনগাইবগী থবক কয়া চথরি হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়রি।

## টাইফুন মলাকাস টোকিয়ো তম্না চংশিনখ্রে

*টোকিয়ো, সেপ্টেম্বর ২০ঃ*

টাইফুন মলাকাসনা জপানগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা চংশিল্লকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী কোনুং টোকিয়ো তম্না চংশিল্লক্লি হায়রি।

নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা অকনবা নোংচুবনা মরম ওইরগা মফম কয়াদা ঈচাও থোকহনখি। মদুতা নত্তনা লমদম অদুদগী পায়খিগদবা অমসুং থুংলগদবা ফ্লাইট কয়া কেন্সেল তৌখ্রে।

লোয়ননা মীওই ৬,০০,০০০না শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে। টাইফুন মলাকাস জপানগী অৱাং নোংপোক থংবা মায়কৈরোমদা চংশিল্লক্লি হায়না মেটেরোলোজিকেল এজেন্সিনা ফোঙদোরক্লি।

নোংলৈ নুংশিৎ অদু মথংগী পুং খরদদি কংফাল লমদা চংশিল্লকপগা লোয়ননা মপাঙ্গল শোন্থরক্কগনি হায়নসু জপান মেটেরোলোজিকেল এজেন্সিনা ফোঙদোরক্লি।

জপানগী নোংপোক থংবা শরুক কমামোটোনচিংবা মফমশিং মমাঙদা থোকখিবা য়ুহার হাবনা চাওনা অমাং অতা থোকহনখ্রবনি। মমাঙদা থোকখিবা য়ুহার হাবা অদুদা মীওই কয়া অশোক অপন নংহনখিবা লৈখি। অদুগা মীওই ৬,৩২,৫০০না লাঞ্জেন্নখি হায়রি।

জিজি ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোরকখিবদা ক্যুসু হায়না খঙনবা জপানগী খা থংবা শরুক্তা মীওই অনী অশোক অপন নংখ্রে। থৌদোক অদুগী মতুংদা দোমেষ্টিক অমসুং ইন্টর্নেসনেল ফ্লাইট ১০০ হেন্না কেন্সেলতৌখ্রে হায়রি।

## এলেপ্পোদা চথরকখিবা এয়ারষ্ট্রাইকতা ১২ শীরে

*বৈরুট, সেপ্টেম্বর ২০ঃ*

সিরিয়া নত্রগা রসিয়াগী এয়ারক্রাফশিংনা এলেপ্পোদা চথরকখিবা এয়ারষ্ট্রাইকতা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ শীখ্রে হায়না মোনিটরিং গ্রুপনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা মখোয়গী কনভোইদা হিট তৌরকখি হায়বা কনফার্ম তৌখ্রে। অদুম ওইনমক থৌদোক অদু করম্বা কাংবুনা চথরকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

সিরিয়ান ওবজাবেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটস মোনিটরিং গ্রুপনা হায়, এলেপ্পোদা সিরিয়া নত্রগা রসিয়াগী এয়ারক্রাফশিংনা ৩৫রক হন্না এটেক চথরকখি। হ্যুমেনেটেরিয়ান গ্রুপ অদুনা হায়, থৌদোক অদুদা লৈখিদবা মীগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই।

সিরিয়ানা আরব রেদ ক্রিসিয়ান ভোলুনটিয়ার ১৪সু হাৎখিবা লৈখ্রে। যু এন অমসুং সিরিয়ানা আরব ক্রিসিয়ান কনভোইদা এটেক চথরকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৮ হেন্না শিহনখিবা লৈখ্রে। যু এনগী লুচিংবা ষ্টেফেন ও ব্রিয়ানা হায়, অহানবা ওইনা ফংখিবা পাউদা লমদম অদুদা মীওই কয়া শীহনখ্রে। অদুগা কয়ানা অশোক অপন নংখ্রে হায়বগী পাউ ফংখি।

চথরকখিবা এটেকশিং অদু ৱার ক্রাইম অমা ওইনা লৌবা য়াবগী ফিভমদা লাক্কনি। অদুম ওইনমক ওইরিবা ফিভম অসিদি করিনো হায়বা ঙমদবা তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লৈরি। টেরোরিষ্টশিংনা এটেক কয়া চথরি অদুনা লৈঙাক্না মদু লাকশিন্নবা হোৎনরি।

ফিভম কয়া অসি য়েংলগা মালেমগী ওইবা থৌশিল অমা চৎনহনবা দরকার ওইরি। সিজ ফায়র তৌননবা য়ান্নখিবা থৌদোক ৩০০ কায়খিবা লৈখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা লৈঙাক্কী চেকশিনবা তঙাইফদে হায়রি।

# দুন এক্সপ্রেস ত্রেনগী বোগি ৫ তালিদগী নাম্থোক্তুনা খুদোংথিবা থোকখ্রে

*লখনৌ, সেপ্টেম্বর ২০ঃ*

উত্তরপ্রদেশকী ফাজিয়াবাদতা ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুংদা দুন এক্সপ্রেস ত্রেনগী বোগি ৫ তালিদগী নাম্থোক্তুনা খুদোংথিবা মায়োক্লখ্রে। অদুম ওইনমক লাইবক ফবা অমা ওইনা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা অশোক অপন নং হৌদ্রে হায়রি।

গোরাখপুর লম্বী পরিংদা থোকখিবা খুদোংথিবা থৌদোক অদুনা লম্বী অদুদা লাক্কদবা অমদি চৎখিগদবা ত্রেন কয়াদা অপনবা থোকহনখি। লম্বী অদুদা চৎকদবা ত্রেনশিং অদু মায়কৈ হোংদোকহন্দুনা চৎহনখিনবা থৌশিল পায়খৎখি হায়রি।

নোর্থন রেলৱে ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না ত্রেন অদু দেহরাদুনদগী হৌরা তম্না চৎপদা বোগি ৫ তালিদগী নাম্থোক্তুনা খুদোংথিবা থোকখি। অদুম ওইনমক থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা অশোক অপন নংখিদ্রে।

খুদোংথিবা থৌদোক থোকপা মতম অদুদা ত্রেন অদু তপ্পা চৎপা মতম ওইখি। মদুনা মরম ওইরগা অশোক অপনগী চাং হন্থহনখিবনি হায়রি।

টালিদগী নাম্থোক্তুনা খুদোংথিবা মায়োক্লখ্রবা ত্রেন অদুগী জেনরেল কম্পার্টমেন্ট অনী অমসুং স্লিপ্পর বোগি ৩ য়াওখি। জয়পুর-কম্মক্ষ্যা এক্সপ্রেস য়াওনা লম্বী অদুদা লাক্কদবা ত্রেন কয়া অতোপ্পা মায়কৈদা থৈদোক্তুনা চৎহনখি হায়রি।

# অম্রিটসরগী দ্রেন অমদা মীওই কয়া পুদুনা লাকপা বস অমা তাশিনখিবদা ৮ শীরে




*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২০ঃ*

পঞ্জাবকী অম্রিটসরদা অঙাং কয়া পুদুনা লাকপা স্কুল বস অমা খোঙবান্দা তাশিনখিবদা য়ামদ্রবদা অঙাং ৮ শীখ্রে, অদুগা অতোপ্পা অঙাং ৮না অশোক অপন নংখ্রে।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না বস অদু কে জি তন্নিবা মহৈরোইশিং পুবনি। দ্রাইভর অদুনা কন্ত্রোল ঙমদবদিগী খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখি। দ্রাইভর মশামকসু অশোক অপন নংখি।

ইন্দিয়া অমসুং পকিস্তানগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংগা নক্কনা লৈবা অটারিগী মনুং চনবা মুহাৱা খুঙ্গংদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। পুলিসনা হায়, দ্রাইভর অদুনা ঙরাং চপ চাবা মথৌ তৌননবা হোৎনখি।

নর্সরি অমসুং কে জি তন্নিবা অঙাং ৩৫ রোম পুদুনা লাকখিবা বস অদু খুদোংথিবা থোকখি। খুদোংথিবা থৌদোক থোক্লবা মতুং বস অদুগী দ্রাইভর মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখি হায়না পুলিসকী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা ফোঙদোরক্লি।

খুদোংথিবা নংলবা মফম অদুদা অঙাং কয়া কপ্পা-লাউবগী খোঞ্জেল তাখিবা মতুং মী কন্ননবা হোৎনখি। থৌদোক অদুগী মতুংদা শোক্লবা অঙাং ৮ অম্রিটসরদা লৈবা হোস্পিটালদা লায়কন্নখি। মখা তানা মী কনবগী থবক পায়খৎলি।

য়াংনা থৌদুনা লাকপা বস অদুনা অখুবা থোং অমা লানখৎনবা হোৎনখি। থোং অদু অশুক্কী মতিক পীকপা অমনি। অহানবা ওইনা বস অদুগী চাকা অমা থোং অদুগী নকল অমদা পুখখি। অদুম ওইনমক দ্রাইভর অদুনা ফিভম অদু লাকশিন্নবা হোৎনরবসু গারী অদু ওন্থখি হায়রি।

বস অদুদা তোংলকখিবা অঙাংশিং চোংথোক্লবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক অঙাংশিং অদু দ্রেন অদুদা তাশিনখি হায়রি।

অম্রিটসরগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার বারুন রুজুমনা ফোঙদোকখিবদা মহাক মশামক মফম অদুদা চৎতুনা য়েংশিল্লুরে। থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎনবা খঙহনখি। লমদম অদুগী মীৎনা উহৌবা মীওইশিংগী পাউ লৌননবসু হোৎনরি। থৌদোক অদুদা দাইত্ব লৈবা মীওইশিং মরাল লৈরম্লবদি চপ চাবা থবক লৌখৎকনি হায়রি।

# পাকিস্তান টেরোরিষ্ট লৈবাকনি হায়না লাউথোক্কদনি ঃ গুরমিট রাম রাহিম



*চান্দিগর, সেপ্টেম্বর ২০ঃ*

দেরাসচ শৌচগী মকোক গুরমিট রাম রাহিমনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা মালেমগী লৈবাকশিংনা পাকিস্তানবু টেরোরিষ্ট লৈবাক অমনি হায়না লাউথোক্কদবনি। তুমদুনা লৈবা লান্মী কয়া হাৎপা হায়বদু পাংদবা থৌওং অমনি।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী ঙমখৈ পরিংশিং চপ চানা থিংজিনগদবনি হায়না গুরমিট সিংহনা ফোঙদোকখ্রে। লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, মালেমগী ওইনা পাকিস্তানগী মরমদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্নরকখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবদা করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎলকপা লৈত্রি। অদুগুম্বা ৱাফমশিং অদু মতিক চাদ্রে।

ওইরিবা ফিভম অসিদা ইন্দিয়ানা ইন্টর্নেসনেলগী ওইবা ফোরমশিংদা পাকিস্তানবু টেরোরিষ্ট লৈবাকনি হায়না খঙহন্নবা থবক পায়খৎলি। মপান লৈবাকশিংদগী থাদরকপা শেনফমশিং অদু লেপখ্রবদি মখোয়না টেরোরিজমগী লমদা করিসু তৌবা ঙম্লোই হায়খি।

চৈরকসিদা পাকিস্তান লান্মীনা উরি সেক্টরদা লৈবা ইন্দিয়া লান্মীশিংগী পোজিসনশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লক্লি। উরিদা এটেক চথখিবা নুমিৎ নিনিগী মতুংদা পাকিস্তান লান্মীনা ঙসি কাশ্মীরগী ঙমখৈ পরিংদা সিজ ফায়র থুগাইদুনা ইন্দিয়ান আর্মিগী পোজিসনশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি।

নোংমৈ কাপশিল্লকপা অদুগী চপ চাবা পাউখুম ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা পীখি। ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুং পাকিস্তানদগী সেল কয়া কাপশিল্লকখি। ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১ রোম তাবদগী লাইন ওফ কন্ত্রোল ঙমখৈ লান্না পাকিস্তানগী মায়কৈদগী নোংমৈ কাপশিল্লকখি।

ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখিবদা পাকিস্তাননা নোংমৈ কাপশিল্লকপা অদুদা অশোক অপন নংবগী পাউ লৈতে। অদুম ওইনমক মখা তানা পাউ ঙাইরি হায়খি।

# লৈমায়দগী অতিয়াদা কাপ্পা য়াবা মিসাইল মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে

*বলাশ্বোর, সেপ্টেম্বর ২০ঃ*

এয়ার দিফেন্সকী লমদা হেন্না ফগৎহন্নবগী থৌশিল অমা ওইনা ঙসি লৈমায়দগী অতিয়াদা কাপকদবা ইজরেলগী মতেংগা লোয়ননা শেমগৎখিবা মিসাইল উরিষাগী সমুদ্র খোঙবান্দগী চাংয়েং তৌখ্রে।

শান্না কাপ্পা য়াবা মিসাইল অদু ইন্দিয়া অমসুং ইজরেলনা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা পায়খৎখিবনি। বালাশ্বোরগী চান্দিপুরদা লৈবা ইন্টিগ্রেটেদ টেষ্ট রেঞ্জতগী মোবাইল লোঞ্চর অমদা ইন্সটোল তৌদুনা মিসাইল অদু ঙসি অয়ুক পুং ১০.১৩ চৎপদা চাংয়েং তৌখি হায়না দি আর দি ওগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ত্রাইয়েল ওইনা পাঙথোকখিবা চাংয়েং অদু মায় পাক্খি। অদুম ওইনমক মখা তানা চাংয়েং পাঙথোক্লবা থৌশিল পায়খৎখি। ঙসি চাংয়েং তৌখিবা মিসাইল অদুদা তোঙান-তোঙানবা খুদোং চাবা কয়া লৈরি।

মমাঙদা চৎলিবা চহী অসিগী জুন ৩০ অমসুং জুলাই ১দা ইনিদয়ানা থংনা-থংননা মিসাইল টেষ্ট ফায়রশিং পাঙথোকখিবা লৈখ্রে হায়রি।

## সনা-সুদোকু- ৬৯৫ গী সোল্যুস

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 6 | 3 | 4 | 5 | 1 | 9 | 8 | 7 |
| 8 | 1 | 9 | 2 | 6 | 7 | 5 | 4 | 3 |
| 7 | 4 | 5 | 9 | 8 | 3 | 2 | 6 | 1 |
| 5 | 2 | 4 | 7 | 1 | 6 | 3 | 9 | 8 |
| 1 | 3 | 7 | 8 | 4 | 9 | 6 | 2 | 5 |
| 9 | 8 | 6 | 5 | 3 | 2 | 7 | 1 | 4 |
| 3 | 7 | 2 | 1 | 9 | 4 | 8 | 5 | 6 |
| 6 | 5 | 1 | 3 | 2 | 8 | 4 | 7 | 9 |
| 4 | 9 | 8 | 6 | 7 | 5 | 1 | 3 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-696**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 9 | 3 | 7 | | 6 | | | |
| | | | | | | | | 1 |
| 5 | | 8 | 3 | 9 | 1 | | | |
| 3 | 1 | | | 2 | | | | 5 |
| 8 | 6 | | 5 | 3 | | | | |
| | 5 | | | | | 8 | 3 | |
| 9 | 3 | 5 | | 1 | 7 | | 6 | 2 |
| | | 4 | | | | | 8 | |
| | | | 4 | 6 | | | | 7 |